# সুপ্রিম কোর্টনা পি চিদম্বরমবু সি বি আইগী কষ্টদিদা থম্বগী মতম শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমবু সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী কষ্টদিদা থম্বগী মতম শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

ওগষ্ট ২১দা ফারগা নুমিৎ ১১নি চুপ্পা সি বি আইগী কষ্টদিদা থম্লক্লিবা চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র এদভোকেট কপিল সিবালনা হায়খি, মশাগী চহী ৭৪শুরবা চিদম্বরমবু তিহার জেলদা থম্বগী মহুৎতা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা ময়ুমদা লৈহনবদা অকায়বা লৈতে। হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈবা সি বি আইগী হেদ ক্বার্টরদা গেষ্ট হাউসতা থল্লিবা চিদম্বরমবু করিগুম্বা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা ৱায়েল পীবা তারবদি এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা জেলনি হায়না লৌনরিবা টিহার জেলদা থম্না তাবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা হায়খি মদুদি, শেঞ্জা-থুমজাগী মরালদা সি বি আইনা ফারবা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা মরী লৈনবা কোর্টতা রেগ্যুলর বেল পীবিনবা হায়জগদবনি। করিগুম্বা ট্রাইয়েল কোর্টনা রিজেক্ট তৌরকপদগী চিদম্বরমবু জেলদা থম্বগী ৱাফম লাক্লবদি অহল ওইরবা মীওই অমবু কাহেনবা মওংদা ইকায়বা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়না কপিল সিবালনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা কোর্টনা হায়খি, পোলিটিকেল প্রিজনরশিং খত্তংবু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমগদবনি। করি মরমগী চিদম্বরমনা সি বি আইগী স্পেসল কোর্টতা বেল পীবিনবা হায়জদ্রিবনো হায়না জষ্টিস আর বনুমতি অমসুং জষ্টিস এ এস বোপনানা ফোঙদোকখি।

আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী মতাংদা চিদম্বরমগী মথত্তংগা ইনভেষ্টিগেসন চথুরিবা সি বি আইনা হায়খি মদুদি, কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অসিবু করম্বা মফমদা থমগদগে হায়বা সি বি আইগী স্পেসল কোর্টনা লেপচগদবনি। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু নুমিৎ হুম্নি মখা তানা সি বি আইগী কষ্টদিদা থম্বগা লোয়ননা শগোলশেন নুমিৎতা মখা তাবা ৱায়েল চথগনি হায়রি।

মতাং অসিদা চিদম্বরমনা সি বি আইগী কোর্টতা ইন্টরিম বেল পীবিনবা হায়জবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা লৈত্রে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা বেল পীবিনবগী এপ্লিকেসন অদু কোর্টনা রিজেক্ট তৌরকপা তারবসু শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা মহাকপু সি বি আইগী কষ্টদিদা থমখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৭তা চিদম্বরমনা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মপান লৈবাক্তগী য়াম্লবা শেনফম অমা আই এন এক্স মিদিয়া কম্পেনিদা পীহনখি হায়বা ৱাকৎ অম লাকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চিদম্বরমগী মচানুপা কার্তি চিদম্বরবদা য়াম্লবা শেনফম পীখি হায়বা ৱাকৎ অমসু লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিক মুম্বাইগী জেলদা লৈবা আই এন এক্স মিদিয়াগী কো ফাউন্দর পিটর মুখর্জিয়া অমদি ইন্দ্রানি মুখজিয়না চিদম্বরম মপা মচাদা শেল পীখি হায়না ফোঙদোরকপসু লৈত্রে।

# কোংগ্রেস লুচিংবা দিকবিজয়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা লাল্লে হায়জনবা তকশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা পাকিস্তানগী স্পাই এজেন্সি, ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)দগী শেল ফঙই হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা দিকবিজয় সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিবু পাকিস্তানগী আই এস আইগা মরী লৈনবা মালহন্নবা হোৎনরকপগীদমক কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়নসু তকশিনখি। পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবদা বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন সম্বিত পত্রনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা মরম চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপনা পাকিস্তানদা চাওনা কান্নবা ফঙহল্লে।

ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা বি জে পিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না পাল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা বি জে পিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে। পুম্নমক অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি।

পনবা য়াবদি, বি জে পি অমসুং বজ্রঙ্গ দলনা আই এস আইদগী শেন্থং ফঙই হায়না দিকবিজয় সিংহনা মরাল শীবা লৈখ্রবনি। পাকিস্তানগী আই এস আইদা লোন্না পাউ পীথোক পীশিন তৌবা মীওই কয়া লমদম অসিদা লৈরে হায়নসু কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অসিনা মরাল শীখি।

কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নুংশিদবা মরম্না লৈবাক্কী মাংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে হায়না পল্লদুনা বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন সম্বিত পত্রনা হায়খি, কোংগ্রেসকী লুচিংবা খরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং পাকিস্তানগী পাউ-চেশিংদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙনখি। থৌওং অদুনা পাকিস্তানগী মপাঙ্গল হাপকৎপা ওইনা থোক্লে।

দিকবিজয় সিংহনা আই এস আইগী মরমদা মতৌ করম্না খঙবা ঙম্লিবনো হায়না হংলদুনা সম্বিত পত্রনা হায়খি, মশামক আই এস আইগী স্পাই ওইরম্বা মরম্না পাকিস্তানগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী মরমদা অরোন অথুপ পুম্নমক খঙবা ঙম্লিবনি। কোংগ্রেসনা "হিন্দু টেরর" হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নবগী থৌওংবুসু বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা খরা ফঙনবগীদমক লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে হায়না মরাল শীরদুনা সম্বিত পত্রনা হায়খি, সুসিল কুমার সিন্দে, পি চিদম্বরম অমসুং দিকবিজয় সিংহনচিংবা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা লুচিংবা কয়ানা হিন্দু টেরর হায়বা ৱাহৈ য়াম্না তোইনা শীজিন্নবা থেংনরে। আই এস আইগা মরী লৈননা বি জে পিবু মরাল শীনবা হোৎনরক্লিবসি মশাগী অশেংবা মশক উথোকচবনি হায়রি।

# বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা মহারাষ্ট্রদা পার্টিগী লুচিংবশিং উনখ্রে, সিব সেনাগী লুচিংবশিংদি উনখিদ্রে



মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা ঙসি মহারাষ্ট্রদা চৎতুনা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিস য়াওনা পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়া উনখ্রে। অদুম ওইনমক নেসনল দেম্মক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ)গী মরু ওইবা মপাং ওইরিবা সিব সেনাগী লুচিংবশিংদি উনরমদ্রে।

মুম্বাইদগী খোঙচৎতা লাকখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা মলাবাদ হিল এরিয়াদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্সতা চৎখি। মফম অদুদা মহাক্না বি জে পিগী ষ্টেট লিদরশিংগা উন্নরম্লগা প্রভাদেবীদা লৈবা সিধিবিনায়ক টেম্পলদা লাই খুরুমখি।

সেন্ত্রেল মুম্বাইগী লালবোগচা রাজা কনেস পন্দলদা থুংলুরবা মতুংদা মহাক্না সোলাপুরদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখি। চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসকী মহাজনদেস যত্রা লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা মহাক্না ৱা ঙাংখিবদা বি জে পিনা মহারাষ্ট্রা অমসুং ইন্দিয়া অপুনবগী ওইনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং মরিক চুম্না ফোঙদোকখি। তুংদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিস, বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত পাতিল অমসুং অতৈ মরু ওইবা লুচিংবা কয়াগা উনদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাষ্ট্র লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা অমিত সাহনা দেবনেন্দ্র ফদনবিসকা লোয়ননা কেপিটেল সিটি মুম্বাইদা চৎতুনা পার্টিগী ষ্টেট লিদরশিংগা ৱারী শান্নখি। এসেমব্লীগী মীখল নকশিল্লকপা মরম্না এন দি এগী মপাং ওইরিবা সিব সেনাগী লুচিংবশিংগসু উনবা য়াই হায়না পোলিটিকেল ওবজার্বরশিংনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক অমিত সাহনা সিব সেনগী লুচিংবা অমত্তা উনখিদে।

# চন্দ্রয়ান ২ ওর্বিটরদগী লেন্দর 'বিক্রম' খাইদোক্কুনা থা লৈবাক্কী লৈমায়দা লেন্দিং তৌনবা শেম শাবা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): চন্দ্রয়ান ২ ওর্বিটরদগী 'বিক্রম' লেন্দর খাইদোকখিবগা লোয়ননা থা লৈবাক্কী লৈমায়দা লেন্দিং তৌনবা শেম শাবা হৌরে হায়না ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা আই এস আর ওনা হায়খি, মিসন ওপরেসন কমপ্লেক্সতগী ওর্বিটর অমসুং লেন্দগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লি। হৌজিক ফাওবা চন্দ্রায়ন ২গী ওর্বিটর অমসুং লেন্দরদা অকায়বা অমত্তা থেংনদে।

হৌজিক ফাওবা মীওইবা খুন্নাইনা থিজিনবদা য়ৌদ্রিবা মফম অমা তম্না বিক্রম লেন্দর পায়শিনখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ৭তা অশোই অঙাম য়াওদনা থাগী লৈমায়দা লেন্দিং তৌনবা থৌরাং তৌরি। থাগী লৈমায়দা থুংলুরবা মতুংদা রোভর 'প্রগ্যান'না থা লৈবাক্কী লৈহাওগী মরমদা মপুং ফানা থিগৎকনি হায়রি।

চন্দ্রয়ান ২না নুমিৎ ৩০ স্পেসকী খোঙচৎতা কোয়পায় পায়রবা মতুং ওগষ্ট ২০দা মায় পাক্না লুনর ওর্বিটতা চঙবা ঙমখি। করিগুম্বা থা লৈবাক্কী চিংশিনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই (গ্রেভিটি)না চিংশিনখিবা থোক্লবদি খুদোংথিবা নংগদবা মরম্না অশোই অঙাম য়াওহন্দনা থা লৈবাক্কী ওর্বিটতা লানশিখিবনি।

পুংদা কিলোমিটর ৩৯,২৪০ গী চাংদা য়াংনা পায়খৎখিবা স্পেস ক্রাফ অসিনা থা লৈবাক্কী লৈমায়দা লেন্দিং তৌরুবা হায়বসি থোইদোক্না অরাইবা ওইরোইদৌরি। খোঞ্জেলগী অয়াংবদগী শরুক ৩০ হেন্না য়াংনা পায়খৎখিবা মরম্না লেন্দিং তৌবদা খুদোংথিবা মায়োক্নবা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

জুলাই ২২দা অন্ধ্র প্রদেশকী স্রিহরিকোটাদা লৈবা স্পেস পোর্টতগী থাগৎখিবা চন্দ্রয়ান ২গ খোঙচৎ মায় পাকহন্নবা আই এস আর ওগী সাইন্টিষ্টশিংনা তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনরি।

# মফম খরদা অথিংবা লৌথোকখিবদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লকখ্রে

স্রিনগর, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): কাশ্মির তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখিবগা লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা থম্বা বেরিকেদ লৌথোকখ্রবসু পামদবা থৌদোক থোক্লককপা য়াই হায়না চিংনরকপদগী মখা তানা সিক্যুরিটি পার্সনলশিং চেকশিন থৌরাং লৌখৎহন্দুনা থল্লি। টেলিফোন এক্সচেঞ্জ ৭৬না কোনবা তম্পাক্কী মফমশিংদা অমুক হন্না লেন্দ লাইন টেলিফোন সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফঙহনখ্রবসু লাল চোক অমদি প্রেস এনক্লেবনচিংবা মফম খরদা মখা তানা অথিংবা থল্লি।

হৌজিক ফাওবা কাশ্মির তম্পাক্কী মফম



অমত্তদা পামদবা থৌদোক থোকপগী রিপোর্ট লৈত্রি। পুলিস ষ্টেসন ১০৫গী মনুংদা পুলিস ষ্টেসন ৮২না কোনবা মফমদা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা অথিংবা লৌথোক্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক কৈথেল অমদি মহৈতম্ফম লোইশঙ পুম্নমক মখা তানা থোঙ লোনবগা লোয়ননা লম্বীদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী গাড়ি অমত্তা চেনখিদবা মরম্না মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা খরদি অদুমক থোক্লি। কাশ্মির তম্পাক্কী মফম খরদা লন্নাই গাড়িশিং চেনখিবা তারবসু দিষ্ট্রিক্ট অমদগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমা লান্না সার্ভিস তৌবা টেক্সি অমত্তা চেনখিদে। ওগষ্ট ৫দা সেন্টরনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবা মোইবাইল অমদি ইন্টর্নেটে সার্ভিস থিংদুনা থল্লক্লি।

# প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): গনেস চতুরথিগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, গনেস চতুরথিনা লাকপদা লৈবাক্কী মীপুম খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরি। লোর্দ গনেসনা মীপুম খুদিংমক নুংঙাই য়াইফবা, ইং তপ্পা অমদি চাকহোং ঙাহোংবা পীনবিবা ওইরসনু।

নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথুগদবা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। গনেস চতুরথিনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং ইং তপ্পা লোইনরকপা ওইরসনু হায়না মহাক্না ত্বিটরগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা গরবি গুজরাট ভবন হাংদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গরবি গুজরাট ভবন হাংদোক্কুনা লৈবাক মীয়ামদা কথোকখিবগা লোয়ননা গুজরাট অমদি লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিং পাউ ফাওনবদা খুদোংচাবা হেন্না ফঙহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গরবি গুজরাট ভবন হাংদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক্না হিরম কয়াদা মায় পাক্লবা হোৎবগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা চৎনবীশিংসু মীরাইবা চুমদে। গুজরাট চাওখৎলকপা মতমদা থংনরিবা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু চাওখৎপগী মঙাল শোইদনা ফঙগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২৪ ফাওবদা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা থক্লবা টোটি ঈশিং ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ষ্টেটকী চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎলম্বা তারবসু মতুং তারকপদা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা অনন্দিবেন পটেল অমসুং বিজয় রুপানিনা হেন্না মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎলকখি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা গুজরাটকী মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী ওইবা চিঞ্জাক্কী মহাও পাকহেক কাওথোকপা ঙমদে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক্না অয়াম্বা মতমদা মশা মশাগী নাৎ অমদি হৌরকফম মীরাইবা চুমদে। গরবি গুজরাট ভবনদা ঙসি গুজরাটকী অশেংবা চিঞ্জাক কয়াগী মহাও তংবা ফংলে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তানদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা কুলভুসন যাদবতা অকনবা প্রেসর পীরগা নমদুনা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকহল্লে ঃ রবিস কুমার



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): পাকিস্তানদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ইন্দিয়ান নেভিগী ওফিসার কুলভুসন যাদবতা অকনবা প্রেসর পীরগা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকহল্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্সকী স্পোক্স পার্সন রবিস কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭তা শীবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা যাদবপু ঙসি অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট অমগা উনহনখি। ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে)না কোন্সুলর এসেস পীনবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট অমবু কুলভুসন যাদবকা উনহনখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা রবিস কুমারনা হায়খি, ইন্দিয়াগী চার্জ দি এফ্যেয়র্স গৌরব অলুৱালিয়ানা পুং ২ রোম চুপ্পা কুলভুসন যাদবকা ৱারী শান্নখি। মীরোল তম্বীরবা টেনৌৱা অমগী মতৌগুম যাদবতা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকহনবগী খুদম ফঙলে। কুমজা ২০২২দা থবক্তগী পোথাগদৌরিবা ইন্দিয়ান নেভিগী ওফিসার অসিবু রিছার্স এন্দ এনলাইসিস ৱিং (আর এ দব্লীয়ু)গী এজেন্টনি হায়না পাকিস্তাননা মরাল শীখিবগা লোয়ননা যাদব মশানা ৱাফম অসিদা অয়াবা পীখিবগী ভিদিও ক্লিপিং ৪ ইস্লামবাদনা থাদোরকপা লৈখ্রে। ইস্লামবাদতা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা অপোকপী মমা অমসুং লোইনবীগা উনহনখ্রবা মতুংদা যাদবনা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংদা থাজদবগী ৱাফম য়াওবা ভিদিও অমা থাদোরকখি।

পাকিস্তাননা ভিদিও অদু ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী হিয়রিংদা উৎনবা হোৎনবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে। রবিস কুমারনা হায়খি, জুলাই ১৭তা ইন্টর্নেসনল কোর্টনা পীখিবা ৱায়েলগী মতুং ইন্না যাদবপু ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনহনখিবনি। মমাঙদা ইন্দিয়ানা কয়ারক হন্না কোন্সুলর এসেস পীবিনবা হায়জবদা পাকিস্তাননা অয়াবা পীখিদ্রবনি।

কুমজা ২০০৮দা ইন্দিয়াগা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রিমেন্ট অমগী মতুং ইন্না স্পাইশিংদা কোন্সুলর এসেস পীবা য়াদে হায়না ইস্লামবাদনা ফোঙদোকখি। যাদবতা পাকিস্তাননা অকনবা প্রেসর পীবগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্সনা হায়খি, ৱাফম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা ফংলবা মতুংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

লোন্না পাউ পীথোক পীশিন তৌই অমসুং টেররিজমগী থবক থৌরমদা চেন্নৈ হায়বগী মরালদা কুলভুসন যাদবপু পাকিস্তাগী মিলিটরি কোর্ট অমনা শীবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবনি। বেলোচিস্তানদা লোন পাউ লৌবগী থবক পায়খৎলিঙৈদা যাদবপু ইন্টলিজেন্স এজেন্সিনা ফাখিবনি হায়নসু পাকিস্তাননা ফোঙদোকখি।

# য়ু এসনা শাবা অপাচি এটেক হেলিকোপ্টর নিপান ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা খুৎশিন্নরগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মতিক ময়াই হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শাবা অপাচি এ ঐচ-৬৪ ঈ হেলিকোপ্টর ৮ খুৎশিন্নরগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পথানকোট এয়র ফোর্স ষ্টেসনদা হয়েং এয়র চীফ মার্সল বি এস ধানোৱানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা অপাচি হেলিকোপ্টর ৮ আই এ এফতা খুৎশিন্নগদৌরি। হৌজিক হৌজিক য়ু এস আর্মিনা শীজন্নরিবা হেলিকোপ্টর মখল অসি মালেমদা থোইদোক হেন্দোক্না মমিং লৈরবা মল্টি-রোল কম্বেট হেলিকোপ্টরনি হায়না লৌনরি।

অপাচি এটেক হেলিকোপ্টর ৮ খুৎশিন্নবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্লগনি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। অপাচি হোলিকোপ্টর ২২ লৈবগীমতাংদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বরদা য়ু এস গভর্ণমেন্ট অমসুং বোয়িং লিমিটেদকা মল্টি বিল্লিয়ন দোল্লর কয়াগী কনট্রেক্ট অমা সাইন তৌনখি। হেলিকোপ্টর ২২ লৈনবা থৌরাং তৌবগী মনুংদা য়ু এসনা জুলাই ২৭তা হেলিকোপ্টর অমা ইহান হান্না খুৎশিন্নরকখি। লৈবাক অনীনা য়ান্নচে খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুং চহী ৪ রোম লৈরগা আই এ এফকী হিন্দন এয়র বেজদা অপাচি হেলিকোপ্টর খুৎশিন্নরকখিবনি।

কুমজা ২০১৭তসু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা বোয়িং লিমিটেদতগী লুপা ক্রোর ৪,১৬৮ চঙনা অপাচি হেলিকোপ্টর ৬ ইন্দিয়ান আর্মিগীদমক লৈনবা থৌরাং লৌখৎখি। কুমজা ২০২০দদি ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী অপুনবা অপাচি হেলিকোপ্টর ২২ লৈরগনি।

মমাঙ চহীদা হেলিকোপ্টর মখল অসি খুৎশিন্নরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী অখন্নবা টিম অমা য়ু এসতা চৎতুনা হেলিকোপ্টর অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ট্রেনিং তৌখি। হৌজিক ফাওবদা বোয়িং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়দা অপাচি ২০০০ হেন্না য়োনখ্রে।